# এয়র ন্যুগিনি প্লেন অমা মাইক্রোনেসিয়াগী সমুদ্র খোংবালদা তাশিন্দুনা খুদোংথিবা নংখ্রে

পোর্টমোর্সবে, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সী): মাইক্রোনেসিয়াগী চুক ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টকী রনৱেদগী নাম্বোক্তুনা পেসেঞ্জর এয়রক্রাফ্ট অমা সমুদ্র খোংবালগী ঈশিংগী শরুক্তা তাশিনখ্রে। এয়র ন্যুগিনি প্লেন অদু পাপুৱা ন্যুগিনিদগী পাইরকখিবা মতুং সমুদ্র খোংবালগী ঈশিংগী শরুক অদুদা তাশিনখিবনি।

লমদম অদুদা লৈবা মীওই কয়ানা অপীকপা হি শীজিন্নদুনা প্লেন অদুগী মনুংদা তোংলকখিবা পেসেঞ্জর ৩৬ অমসুং ক্রু মেম্বর ১১ কন্ননবা হোৎনখি হায়রি। হোস্পিটালগী ওফিসলশিংনা পাউমীশিংদা ফোঙদোরকখিবদা, প্লেন অদুদা তোংলকখিবা পেসেঞ্জর মরি অরুবা ফীভমদা শোক্তুনা লায়কন্নরি। প্লেন ক্রাসকী থৌদোক অদুদা খুদোংথিবা নংখিবা মীওইশিংগী মনুংদা মরিগী ফীভম লুরি হায়রি।

পাপুৱা ন্যুগিনিগী পোর্ট মোর্সবেদগী এয়রক্রাফ্ট অদু পাইরক্তুনা মাইক্রোনেসিয়াগী ৱেনো ঈথৎতা লেপকদবনি। এয়র ন্যুগিনিনা ফোঙদোরকখিবদা, বোইং ৭৩৭-৮০০ অদু রনৱেদা তাননবা হোৎনবদা লৈচিল নোংফাই থাংবা অমসুং নোং মকুপ মকুপ তাবনা মরম ওইরগা উবা ঙম্বগী ফীভম হন্থবদগী শোয়দুনা সমুদ্র খোংবালগী ঈশিংগী শরুক্তা তাশিনখিবনি হায়রি।

খুদোংথিবা থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবা হৌখ্রে হায়না এয়রপোর্ট ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

প্লেন অদুদা তোংলকখিবা বিল জেনিস কৌবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা, মখোয় এয়রপোর্টতা লেন্দিং তৌরে হায়না খনখি। অদুম ওইনমক প্লেন অদুগী মফম কয়াদা ঈশিং চঙশিল্লকপা থেংনখি। অদুগুম্বা থৌদোক অদু থোক্কনি হায়না মহাক অমুক্তা খনখিবা লৈখিদে। এরোপ্লেন মনুংদা ঈশিং অদু খ্বাঙ য়ৌনা চঙশিল্লকখি। মদুগী মতুং মী কনবা কাঙবুশিং থোমজিন্নরকখি। মহাক সমুদ্রগী শরুক্তা অহুম্লক হন্না খুদোংথিবা থংনখ্রবা মীওই অমনি।

চুক ষ্টেট হোস্পিটালগী ডা. জেমস য়াইঙেলুনা ফোঙদোরকখিবদা, প্লেন অদু সমুদ্রদা তাশিন্দুনা খুদোংথিবা মায়োক্লুখ্রবা মতুং মীয়াম মীপায়নবা পোক্লখি। লোয়নননা মীওই কয়া লায়কন্ননবা পুরকখি হায়রি।

খুদোংথিবা মায়োক্লুরুরবা মীওই অমনা ফোঙদোরকখিবদা, প্লেন অদুগী থোঙ হাংদোকপদা অকিবা ফংবা ফীভম অমা থেংনখি। মনুংদা লৈরিবা মীওইশিং অদুনা মপান্দা থোকখিনবা ইন্নবা হৌরকখি। ঈশিংগী শরুক অদুদা হি ২০ রোম চঙশিল্লক্তুনা প্লেন মনুংদগী মীওই খুদিংমক লৌথোক্লবা হোৎনখি হায়রি।




# নেদরলেন্দ পুলিসনা চাউনা টেররিষ্ট এটেক চথরকপা য়াবদগী ঙাকথোকপা ঙমখ্রে

অমষ্টর্দম, সেপ্টেম্বর ২৮ (এজেন্সী): লৈবাক অদুদা চাউনা টেররিষ্ট এটেক চথনবা হোৎনরম্বনি হায়বা মীওই তরেৎ নেদরলেন্দ পুলিসনা ফাগৎখ্রে। মীওইশিং অদুনা নোংমৈ অমসুং বোম শীজিন্নদুনা চাউনা এটেক চথনবা হোৎনরম্বা থৌশিল অমা মায় পাকহনখিদ্রে।

এটেক অদুদা শীজিন্ননবা থল্লম্বা একে ৪৭ রাইফল, হেন্দ গ্রেনেদ অমসুং পোকখায়বা য়াবা মচাক কয়াসু ফাগৎপা ঙমখ্রে। শগোলশেন নুমীৎতা চহী ২১ দগী ৩৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা মীওইশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি।

মীওই অহুমদি মপান লৈবাক্কী মিলিটেন্টশিংগা থবক তৌমিন্ননবা লৈবাক অদু থাদোক্তুনা চৎখিনবা হোৎনরম্বদগী ফাগৎখিবা লৈখ্রে। প্রোসিক্যুটরনা ফোঙদোরকখিবদা, চহী ৩৪ রোম শুরবা ইরাক্তগী হৌরকখিবা মীওই অমা ইস্লামিক ইষ্টেট মিলিটেন্টশিংগীদমক লান্থেংননবা চৎখিনবা হোৎনরম্বদগী ফাগৎখ্রে। ইন্টিল্লিজেন্সকী রিপোর্ট মতুংইন্না চৎলিবা চহী অসিগী এপ্রিল থাদগী হৌনা মীওই খুৎপু অদুনা মফম খরদা এটেক চথনবা থৌরাং তৌবা হৌরকখিবনি। নেদরলেন্দদা মখোয়গী মশা মরেং শন্দোক্তুনা পামদবা থৌওংশিং থোকহন্নবা হোৎনরমখি।

পুলিসকী পাউ মতুংইন্না নদরলেন্দগী ময়াইথংবা সিটি আর্নহেম অমসুং খাথংবা ম্যুনিসিপালিটিগী মনুং চনবা ৱিরটতগী য়ৈখাই থিনগাইবা থৌদোকশিং চথনবা হোৎনরম্বা মীওই তরেৎ এন্টি টেরর টিমনা ফাগৎপা ঙমখ্রে। শগোলশেন নুমীৎকী নুমীৎয়ুংবা মতুংদা লৈবাক অদুগী স্পেসল ইন্টরভেন্সন সার্ভিসকী মখাদা লৈবা এন্টি টেররিজম টিমনা মীওইশিং অদু ফাগৎপা ঙমখিবনি।

টেররিষ্টশিং অদুনা বোম অমসুং নোংমৈ শীজিন্নদুনা নেদরলেন্দগী মফম অনীদা এটেক চথনবা থৌরাং তৌরমখি। লোয়নননা কার বোমশিং শীজিন্ননবসু হোৎনরমখি হায়রি।

মীওইশিং অদুনা কার বোম পোকখায়হন্নবা মচাকশিং অমসুং এক্সপ্লোসিব ভেষ্টশিং খোমজিন্দুনা এটেক অদু চথনবা হোৎনরমখি। মীওইশিং অদুনা আর্মদ ট্রেনিং চথবদা শীজিন্নবনি হায়বা অপীকপা নোংমৈ মঙাসু ফাগৎপা ঙমখ্রে। নেসনল কোওর্দিনেটর ফোর কাউন্টর টেররিজম এন্দ সিক্যুরিটিনা ফোঙদোরকখিবদা, লৈবাক অদুদা টেররিষ্টশিংনা এটেক চথরকপা য়াবগী অকিবা কয়া লৈরে। হৌজিক শিংনরকপগী চাং ৱাংখৎলকপগা লোয়নননা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা তঙাইফদবা অমা ওইরে হায়খি।



## অহানবা ওইনা হেপটাইটিস-ঈ মীওইবদা নারম্বা থেংনরে

হোংকোং, সেপ্তেম্বর ২৮ (এজেন্সী)ঃ হোংকোংদা লৈবা চহী ৫৬ শুরবা মীওই অমা অঙকপা মওংদা হেপটাইটিস-ঈ নারম্বা থেংনখ্রে। মহাক্ক। লায়না অদু নাবা মালেমগী অহানবা মীওই ওইরে। থিজিন-হুমজিনবশিংনা ফোঙদোরকখিবদা, মীওই অদু করম তৌনা হেপটাইটিস-ঈগী ভাইরস লৌনরকখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি।

উচি খক্তদা নাবা থেংনবা অনাবা মখল অদু মীওইবদা করম তৌনা চঙলকখিবনো হায়বা অদু খঙবা ঙমদ্রি। হেপটাইটিস-ঈ মহৌশানা অমোৎপা ঈশিং শীজিন্নবদা শন্দোকপনি। ডোক্তরশিংনা চাংয়েং তৌবদা মীওই অদুগী লিভর অদু মহৌশাগা মান্নদবা ফীভম কয়া থেংনখি। মখা তানা চাংয়েং চথবদা মহাক ষ্ট্রেন তৌরবা হেপটাইটিস ভাইরস লৈরে হায়বা খঙলকখি। ষ্ট্রেন তৌরবা ভাইরস অদুনা মীওইবশিংদা শোকহল্লকপা য়াবগী অকিবা লৈরে।

পাউ অসিগী মতুংইন্না মীওইবনা চাবা চীঙ্গাকশিংদা উচিশিংগা নক্লরুবা অমসুং লায়না অদুনা শোকহল্লবা উচিশিংগী হকচাংগী মহী-মনাইশিং তৈশিনখিবা নৎত্রগা মোৎশিনখিবনা মরম ওইরগা লায়না অদু শন্দোরকপা ওইগনি হায়বগী চিংনবা লৈ। হেপটাইটিস-ঈনা শোকহল্লবা মীওই অদু জোন্দিসকী লায়ওংগা মান্ননা লায়ওং উৎথোরকই। লোয়নননা করিগুম্বা মতমদা হকচাং চোকথবা, লায়হৌ হৌবা, উইরুম উইরুম তৌবা, ওবা অমসুং থজিন্দা নাবগী লায়ওংশিং উৎলকই হায়রি। মীওইবগী ইম্যুন শোন্থরকপা মতমদা ভাইরস মখল কয়া হকচাংদা চঙলকপগী খুদোংচাদবা লৈ হায়রি।

## মীওই ৫ গী মথক্তা পি এম হাৎনবা হোৎনবগী মরাল শিখ্রে

অদিস অবাবা, সেপ্তেম্বর ২৮ (এজেন্সী)ঃ প্রাইম মিনিষ্টর অবি অহমেদতা গ্রেনেদ লংশিন্দুনা এটেক চথনবা হোৎনরম্বনি হায়বা মীওই মঙাগী মথক্তা প্রাইম মিনিষ্টর হাৎননবা হোৎনবগী মরাল শিখ্রে।

চৎলিবা চহী অসিগী জুন থাদা লৈবাক অদুগী কোনুং অদিস অবাবাদা প্রাইম মিনিষ্টর অবি অহমেদনা মীয়ামগী মীফম অমদা শরুক য়ারিঙৈদা গ্রেনেদ লংশিল্লক্তুনা মীওই অনী শিহনখি। অদুগা ১০০ হেনবনা অশোক অপন নংখি। থৌদোক অদুদা প্রাইম মিনিষ্টরদি অশোয় অঙাম য়াওদনা নাম্থোক-হৌখিবনি। প্রাইম মিনিষ্টর অবি অহমেদনা এপ্রিল থাদগী লৈঙাক পায়রকখিবা মতুং পোলিটিকেল, ইকনমিক অমসুং দিপ্লোমেটিক্কী লমদা অহোংবা কয়া পুরক্লবা হোৎনরকখি। লুচিংবা অদুগী থৌশিলশিং অদুবু মীয়াম্না তরাম্না ওক্লখি। চৎলিবা চহী অসিগী জুন ২৩ দা লৈবাক অদুগী কোনুং অদিস অবাবাগী মাস্কেল স্কোৱারদা পাঙথোকপা মীয়ামগী মীফম অমা শরুক য়ারিঙৈদা বোম লংশিন্দুনা পোকখায়হল্লকখি।

ইথিওপিয়াদা নৌনা প্রাইম মিনিষ্টর ওইরকখিবা মীওই অদুগী মথক্তা চথরকখিবা এটেক অদু মায় পাকপা ঙমখিদ্রে। মীওই মঙা ফাবগা লোয়নননা মখোয়না প্রাইম মিনিষ্টর হাৎনবা হোৎনৈ হায়না মরাল শিদুনা কোর্টতা পুথোকখ্রে। প্রোসিক্যুসনগী মতুংইন্না ওরোমোশিংনা মখোয়গী য়াইফ-থৌরাং পায়খৎলক্লোই হায়বগী চিংনবা লৈবদগী এটেক অদু চথখিবা ওইগনি হায়রি।

# ইজরেল পি এমনা অনৌবা ন্যুক্লিয়ার থৌশিলগী মতাংদা ফোঙদোরকখিবা ৱাফম ইরান্না করেম-কথাইনখ্রে

টেহরান, সেপ্তেম্বর ২৮ (এজেন্সী)ঃ ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটন্যাহুনা ন্যুক্লিয়ার টেক্নোলোজি কয়া ৱায়র হাউস অমগী মনুংদা লোৎশিন্দুনা থল্লি হায়না ইরান্না ফোঙদোকখ্রে।

ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টরনা ইজরেলগী ন্যুক্লিয়ার প্রোগ্রামগী আর্ট এন্দ ক্রাফ্টকী দিজাইনশিং উৎথোরকখিবা অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়নননা করেম-কথাইনখ্রে। নাকল অমরোমদা, ইজরেলনা হায়, ইরান্না হৌজিক এটোমিক ৱিপন থিবগী থবক চথুরি। অদুম ওইনমক ইরান্নদি ৱাফম অদু য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর নেটন্যাহুনা ইরানগী ন্যুক্লিয়ার এক্টিভিটিজশিংগী মরমদা য়ু এন জেনরেল এসেমব্লীদা পুখৎলকখিবা লৈখ্রে। লুচিংবা অদুনা মালেমগী ওইবা ন্যুক্লিয়ার ৱাটচদোকশিংগী মায়োক্তা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।

ইজরেলগী ন্যুক্লিয়ার থৌশিল অদুবু ইরান্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোক্লি। এজেন্সীগী পাউ মতুংইন্না নেটন্যাহুনা টেক্নোলোজি কয়া তুংশিন্দুনা থল্লি হায়বগী চিংনবা লৈ হায়রি। ইরান্না ন্যুক্লিয়ারগী মচাক মথুম কয়া লৈশিল্লি হায়বা ৱাফম অদু য়াদ্রি।



ইজরেল অমসুং ইরান্না অমনা অমগী মথক্তা মরাল শিবগী থৌওং কয়া লেপ্তুনা চথনরি।

নাকল অমরোমদা ইরান্না হায়, মখোয় কুমজা ১৯৭০ দগী ন্যুক্লিয়ার নন-পোলিফরেসন ট্রিটি (এন পি টি) দিগনেটরি অমা ওইনা লাকখ্রবনি। মখোয়না ন্যুক্লিয়ারগী মচাক মথুমশিং লৈশিল্লি হায়বা ৱাফম য়ানিংদে হায়খি। নেটন্যাহুনা অরোনবা এটোমিক ৱায়র হাউসনা হায়বা ফোটো অমা পুথোক্লি। ইজরেলনা ন্যুক্লিয়ারগা মরী লৈনবা মচাক-মথুম টন ৩০০ রোম পৈশিন্দুনা থল্লি হায়বগী চিংনবা লৈ হায়না ইরানগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। রেদিও এক্টিব মেটরিএল কয়া লৌথোকখি হায়বগী খুদম চাংদমসু লৈ হায়রি।

# ইটালিগী পোপুলিষ্টনা লায়রবা মুখৎপগী বজেট য়াখ্রে

রোম, সেপ্তেম্বর ২৮ (এজেন্সী)ঃ ইটালিগী পোপুলিষ্ট লৈঙাক্লা লৈবাক অদুদগী লায়রবা মুখৎনবা পুথোরকখিবা বজেট অয়াবা পীখ্রে। লৈঙাক পায়রিবা ফাইব ষ্টার অমসুং লিগ পার্টিশিংনা শগোলশেন নুমীৎতা ফোঙদোকখিবদা, পুথোরক্লিবা বজেট অদু অয়াবা পীরে। বজেট অদু জি দি পি চাদা ২.৪ দিফিজিট লৈবা বজেট অমা ওইরবসু লায়রবা মুখৎনবগী মীৎয়েংদা অয়াবা পীখিবনি হায়রি।

থবক ফংদবা মীওইশিংগী শেন্থোক লম্বী তঙাইফদবা ফীভমদগী হেনগৎহনবা মথৌ তাই। টেক্নোক্রেট ইকনমি মিনিষ্টর জিওভানিগী মায়থিবা অমা ওইনা বজেট অদু খ্বাইদগী হন্থবা অমা ওইনা পুথোরকখিবনি। ইটালিদা লৈরিবা মীওই অমগী শেন্থোক্কী চাং দিফিজিট লৈবা অদু চাদা ২ গী চাং ফাওবদা লেপহন্দুনা থম্ননবা খন্নখিবা লৈখ্রে। লৈবাক অদুগী মীখল নকশিল্লকপগা লোয়নননা তঙাইফদবা ইনকম হেনগৎহনবা, টেক্স হন্থহনবা অমসুং শিন্নীশিং থবক্তগী পোত্থাবগী মতম শাংদোক্লবগী থৌশিল পায়খৎলক্লি। মীখলগা মরী লৈনবা থৌশিল অমা ওইনা টেক্স হন্থহনবা অমসুং থৌমীশিংগী থবক্তগী পোত্থাবগী চহী শাংদোকপগী ৱাফম অদু পুথোক্লরক্লি। ইটালিগী প্রসিদেন্ট ফম থাদোকউ হায়না তকশিল্লকখিবা কয়া লৈখ্রে। অদুম ওইনমক লুচিংবা অদু ফম থাদোকখিদবনি হায়রি।


GOVERNMENT OF MANIPUR

DEPARTMENT OF ART & CULTURE

*Cordially invites all the citizens of Manipur at the foundation stone laying ceremony of*

**"IRAWAT SQUARE"**

by

**Shri N. Biren Singh**

Hon'ble Chief Minister, Manipur

***at Chingmeirong, Opposite Manipur Assembly Complex, Imphal on 30th September 2018 at 3:00 p.m.***

**Sd/- DIRECTOR, ART & CULTURE, MANIPUR**

HL-B/4889/29



MANIPUR MEDICAL COUNCIL

www.manipurmedicalcouncil.org

Email: registrar.mmc.man@gmail.com

Address:
Office of Registrar, MMC,
Medical Directorate Complex,
Lamphel, Imphal - 795004

Election to the Manipur Medical Council

NOTIFICATION

Imphal, the 23rd September, 2018

No.MMC-E(1)/2014-6 : It is hereby notified to all concerned that there will be an election to fill up the 3 (three) vacant post of Members of Manipur Medical Council (MMC) from amongst the Registered Medical Practitioners of MMC for the period till October 2019 or a new Manipur Medical Council has been constituted.

2. Nomination form : Any Registered Medical Practitioner under MMC qualified to stand for election under Section3 of Manipur Medical Council Act may be nominated as a candidate and such nomination will be made by means of a nomination paper (Form 8), which will be supplied to any elector who may apply for the same.

3. Nomination fee : Each candidate wishing to stand for the election will pay to the Registrar a fee of Rs.1000/- by crossed bank draft from a nationalised bank in favour of "Manipur Medical Council" payable at Imphal. The said fee is non-refundable.

4. Nomination of candidate : Each candidate's name will be proposed by any two members of the Registered Medical Practitioner, one as the proposer and the other as the seconder who will duly complete and sign the prescribed nomination form. The nominated candidate himself/herself will also subscribe in the nomination form which will indicate his/her consent to the nomination.

5. Receipt of nomination paper : The completed nomination paper will be received upto 4:00 p.m of 6th October, 2018 at the Office of the Registrar, Manipur Medical Council, Lamphelpat (Medical Directorate Complex).

6. Scrutiny of nomination paper : Scrutiny will be done on 9th October, 2018 at 2:00 p.m at the Office of the Registrar, Manipur Medical Council, Lamphelpat (Medical Directorate Complex).

7. Withdrawal of candidature : The last date for withdrawal of candidature is upto 4:00 p.m of 11th October, 2018.

Candidate may withdraw his/her candidature by notice in writing delivered to the R.O within the above time period.

8. Polling : Polling, if necessary will be carried out on 13th October, 2018 from 10:00 a.m to 3:00 p.m at the Office of the Registrar, Manipur Medical Council, Lamphelpat (Medical Directorate Complex).

If the number of contesting candidate does not exceed the number of vacancies to be filled in the R.O will forthwith declare such candidates as duly elected to fill such vacancies without any polling. When the number of candidates exceed the number of members to be elected, the R.O will conduct the election within the above stipulated time.

9. Scrutiny and counting : Scrutiny and counting of vote will be done on 13th October, 2018 from 3:30 p.m onwards at the Office of the Registrar, Manipur Medical Council, Lamphelpat (Medical Directorate Complex).

A candidate and not more than one representative, duly authorised by him/her may remain present at the time of counting votes. The R.O can reject a ballot if it is not properly filled or completed. All the ballot papers other than those received late or rejected will be mixed together and then scrutinized and the valid vote counted.

10. Declaration of election results :

After counting of votes is completed the R.O will declare the result of election. If there is an equal number of votes in favour of two or more candidates for one vacancy the election will be determined by the R.O by draw of lots in presence of the candidates or their representatives.

Sd/-
Dr. Th. Dhabali Singh
Returning Officer
to the Election of Member of MMC

HL-B/4888/29&30